# ইপানাৎ-ইপুনাৎকী লাইশু তম্ফমশিং থুগায়-য়ৈখায়বীগনু: ৱাই কে এ এল

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস):

ইমা লৈশেম ঈনাৎ লোয়শঙনা ইপানাৎ-ইপুনাৎকী থকশি-খাশি, চৎনলোন, লাইনিং লীচৎ, ফিজেৎ-চাকচা পুম্নমক্পু কন্দুনা থম্বা অমদি তুংদা হৌরক্লিবা কংলৈচাশিংদা নৌহৌননা নীংশিংহন্দুনা পারমচৎ-পুরমচৎকী লীক্লম ফংজনবা শীন্থা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়না য়েলহৌমী কনবা অপুনবা লুপনা ফোঙদোরক্লি।

য়েলহৌমী কনবা অপুনবা লুপ (ৱাই কে এ এল) কী প্রসিদেন্ট লানঙম অঙোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা অসিগুম্বা ফুরুপশিং অসিগী চৎনলোনশিংগী শীন্দমফম অমত্তা ঙসি ফাওবা লীংখৎতুনা মৈতৈ ফুরুপকীদমক শেমগৎ শাগৎপগী মমী তাদ্রি।

ইমা লৈশেম ঈনাৎ লোয়শঙনা ৱানা হোৎনদুনা শেমগৎচরিবা লাইশঙগী মশক অসিদা মীৎয়েং থম্বীদুনা ঙাক শেনবীফম থোকপগী ওন্ন তৈনবদা থুগায় য়ৈখায়বরোমদা চঙশিল্লকপা খোঙজং অসি মখা চঙশিনবীদনবা মরী লৈনবা পুম্নমক্তা ফোঙদোরক্লী।

লমদম অসিদা মপান লমদগী অকনবা শাফুগা লোয়ননা লাইনিং লীচৎকী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ কয়ানা ইরমদম অসিগী পুৱারি, লাইনিং লাইশোন, লীচৎ-শাজৎ, ফিজেৎ-চাকচা পুম্নমক চায়খায়দুনা মাঙ তাক্লবা অকনবা লাঞ্জং কয়া মশীং খঙদনা চঙশিল্লক্লি।

য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা চৎনরোল পুম্নমক মাঙ তাকহন্দুনা চৈখায়রগা মীরমগী চৎনলোনদা তিনশিন্নবা হোৎনদুনা লোন্না অমসুং ফোঙনা চঙশিল্লক্লিবা পুম্নমক অসি কংলৈগী মীয়াম পুম্নমক্লা থেংনফম থোকই অমসুং থেংনদুনসু লাকই। পুম্নমক অসি থেংননবা হোৎনবদা চঙবা মচাক পুম্নমক পুথোক্তুনা মফম খুদিংদা ইমা লৈশেম ঈনাৎ লোয়শঙনা শেমগৎ শাগৎলিবা অসিগুম্বা কয়া মখা তানা শেমগৎ শাগৎপা মথৌ তারি। মণিপুর লৈঙাক্লা ফুরুপ অসিবু কঞ্জনবা হোৎনরিবশিংদা ফোঙনা তেঙবাংবীবা মথৌ তাই।

ইমা লৈশেম ঈনাৎ লোয়শঙগী ওইনা লৈজরিবা মফম অদুদগী হেন্না পাকথোক চাউথোরক্কদবসু লৈতে। মফম অদুদি শুপ্নগী মহৈশঙ, লাইশঙনি। মসিবু তেক্ত-কায়দনা ঙাক শেনবীবগী মহুত্তা থুগায় য়ৈখায়বগী থৌওং অসিদি য়েলহৌমী কনবা অপুনবা লুপনা তরায়না লৌদবগা লোয়ননা য়াবা ঙম্লোই হায়রি। মরমদি লৈঙাক্কী অয়াবগী মখাদা ইমা লৈশেম ঈনাৎ লোয়শঙনা মফম অদু লৌজখিবনি হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়রি।

খ্বায়দগী ঙক্লিবা অমনা রিভিন্যু দিপার্টমেন্টনা পাট্টা পীদুনা লৈরবা মফম অমবু মণিপুর গভর্নমেন্টকী অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট অমনা অমুক য়ারোই হায়রকপসিনি। পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা লম্বী শেম্মী, কোয়লাস থারম্মী অমসুং পব্লিক হেল্‌থ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টনা শেল্লন্লিবা কোয়লাস থারবা লম্বী অদু তৌখায়দুনা ঈশিং পুনবা পাইপ ফুম্মী। অসিগুম্বা অসিদা নত্তনা লৈবাক্কী থবক তৌরিবা সী এস ওশিং অমদি দিপার্টমেন্ট খরনা মালেমগী অঙ্গং অশাগী খল ঙাক্তুনা থম্নবা অহাঙবা মফমশিংদা উ পাম্বী থারি। ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা উ পাম্বীশিংবু ইলেক্ট্রিক তারা তিংবদা শোকই হায়দুনা অমুক য়ান্থৎলি। অসিগুম্বা কয়া অসিনি লৈঙাক্কী থৌমী অমদি লৈবাক মীয়াম্না হৌজিক হৌজিক চথরিবা থৌওংশিং অসি।

মালেমগী চৎনবীদা য়েলহৌ ফুরুপ য়েলহৌমীশিংবু কন্দুনা থম্বা অমদি মখোয়বু মালেম অসিদা লৈতানা লৈজনবা চৎনরোল কয়া য়ু এননা শেমদুনা থল্লি অমদি মতেং পাংবীরি। অদুবু ইরমদম অসিদদি পুম্নমক ওন্ন তৈনবা ঙাক্তা তৌই। মালেম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়ু থিংনবা লৈঙাক্লা থবক কয়া পায়খৎলি লোয়ননা সী এস ওশিংনসু য়াম্না কন্না থিংনবা হোৎনরি।

নাকল অমদনা য়ু শুংনবগী অয়াবা লৈঙাক্লা পীরি অদুগা ইরমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংনা ইপানাৎ ইপুনাৎ হিংগৎনবা হোৎনরি অদুবু নাকল অমদনা লৈঙাক অসিগী লোয়শঙ অমা ওইরিবা আর্ট এন্দ কলচরনা মপানদগী পুশিল্লকপা লাইনিংগী ইপা ইপুগী চৎনলোনগা পুনশিন্দুনা শেম্বা লোনচৎ কয়া মালেমদা কংলৈ ইরমদম অসিগী হেরিটেজনি, কলচরনি হায়না মশক তাক্লবা হোৎনরি।

মসি পুম্নমক অসি লৈঙাক অসিনা নীংথিনা য়েংশিন্দবা অমদি অচুম্বা অদু করিনো য়েংশিনবীদবদগীনি। লৈঙাক অসিনা অশেংবা অদু মশক খঙবীবগা লোয়ননা ফুরুপশিংগী চৎনলোন পুম্নমক ঙাক শেনবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। মখা তানা ইমা লৈশেম ঈনাৎ লোয়শঙগী লাইশঙ অমদি মহৈকোল অসিবু থুগায় য়ৈখায়বা তৌবীগনু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ত্রান্সফর তৌখিবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস):

তেংনৌপল পব্লিক হেল্‌থ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টকী ইগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র ত্রান্সফর তৌখিববু কুকি চীফস এসোসিয়েসন তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ত্রান্সফর ওর্দর অদু রিভোক তৌনবা আপিল তৌরক্লি।

কুকি চীফস এসোসিয়েসন তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি সৈখোজাং বায়টেনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হন্দক্তা তেংনৌপল পি ঐচ ঈ দিভিজনগী ইগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র জোইল রাংনামৈবু রুৰল সর্কলগী এস ঈ ওইনা ত্রান্সফর তৌখিববু নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। পি ঐচ ঈ তেংনৌপল দিভিজনদা ইগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র অসিনা পোষ্টিং লাকপদগী চোকথবা লৈতনা মথৌ পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পাঙথোক্কদৌরিবা ইগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র অসিবু ত্রান্সফর তৌখিবা অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিবু মপুং ফানা য়েংশিন্নিংবগী খুদম নৎতে হায়না ফোঙদোরক্লি।

## উকলগী বরাক ভেল্লি জোন শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস):

উমংলাই কনবা অপুনবা লুপ (উকল) গী বরাক ভেল্লি জোন ঙসি অসামগী সিলচরদা লৈবা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ভবনদা শেমখ্রে।

অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মীৎয়েং মখাদা অখন্নবা মীফম অদু উমংলাই কনবা অপুনবা লুপ মণিপুরগা লোয়ননা পাঙথোক্লবা মতুংদা উকল বরাক ভেল্লি জোন শেমখিবনি হায়রি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, অসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট প্রোফেসর কে এন চান্দনা প্রসিদেন্ট, উকলগী প্রসিদেন্ট চনম নবচন্দ্র এলিয়জ পরিহন, য়ুম্নাম নোদিয়াচান্দ, সাইখোম কমলাকান্ত, কোন্থৌজম মঙালজাও, লাইশ্রম বিমোল অমসুং হাওরোংবম বিমোলনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

মীফম অদুনা উকল বরাক ভেল্লি জোনগী প্রসিদেন্ট ওইনা প্রোফেসর কে এন চান্দবু খনখ্রে লোয়ননা য়ুম্নাম নোদিয়াচান্দ অমদি খায়দেম অমলবু ভাইস প্রসিদেন্টশিং ওইনা খনখ্রে।

## বি ভি এস সী তম্নবগী রিজল্ট হায়দোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস): ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সাইন্সেস মণিপুরনা কুমজা ২০১৮-১৯ গী চহী মঙাগী বি ভি সাইন্স এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিগ্রি কোর্স তম্নবা কেন্দিদেটশিংগী চাঙয়েং পাঙথোকখিবা অদুগী রিজল্ট হায়দোক্লে।

অকুপ্পা মরোল সঞ্জেনথোংদা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ এনিমেল হজবেন্দরি সর্ভিসেস মণিপুরগী নোটিস বোর্দতগী খঙবা য়াগনি। খল্লবা কেন্দিদেটশিংগী কাউন্সেল্লিং ওফিস অসিগী দিরেক্তরগী চেম্বরদা থা অসিগী ৯ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা পাঙথোক্কনি। কাউন্সেল্লিং অদুদা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী ওরিজনেল মার্কসিট অমসুং সর্টিফিকেট লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

## কাইরেম্বীখোক্তা ৬৯ শুবা বন মহোটসবগী থৌরমগা মরী লৈননা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস):

চহী খুদিংগী জুলাই ১ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকপা বন মহটসব চয়োল থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর (দি এফ ও), থৌবাল আর কে অমরজিৎকী মীৎয়েং মখাদা কাইরেম্বীখোক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং ক্লব (কে এস য়ু সী) না শীন্দুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কাইরেম্বীখোক ফুটবোল গ্রাউন্দদা ৬৯ শুবা বন মহোটসব সেলেব্রেসন ৱীক্কী পালন পাঙথোকখ্রে।

প্লান্ট এ ত্রি, সেভ য়োর চিলদ্রেন হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এস দি সী ইরোং এল অশাকুমার অমসুং ৱাংবল গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ-প্রধান এল বিমোলনা লুচিংদুনা ক্লবকী মেম্বরশিং, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং অমদি মীয়াম্না ফুটবোল গ্রাউন্দ অসিগী অকোয়বদা অমদি কাইরেম্বীখোক খুনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এস দি সী অশাকুমারনা ফোঙদোকখিবদা মালেম অসিদা তপ্না তপ্না ইকোলোজিকেল বেলেন্স মাঙশিল্লকপা, অশেংবা নুংশিৎ-নুংশা মাঙশিল্লকপা, সোইল পোল্ল্যুসন, এয়র পোল্ল্যুসন অসিগুম্বা মখল মখলগী পোল্ল্যুসনশিং অসিদগী খরামখৈ কলহৌনবা বন মহটসবকী থৌরম অসি পাঙথোক্লরিবনি হায়খি।

ঙসি থারিবা উ চারাশিং অসিনা মালেম অসি ঈংনা চিক্লা পোল্ল্যুসন অমত্তা থোক্তনা নুংশিৎ-নুংশা শেংনা লৈবা ওইরসনু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

কে এস য়ু সীগী সেক্রেটরি জেনরেল উশম সুরচান্দনা ফোঙদোকখিবদা, উ-ৱাশিং য়ান্থৎলকপা, চীং-পাৎ, তুরেলশিং মাঙহল্লিকপনা নোংম নোংমগী গ্লোবেল ৱার্মিংগী অকিবা লাক্লিবা অসিদগী খরমখৈ কলহৌনবগী পান্দমদা ঙসিগী উ চারা থাবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসি থারিবা উ চারাশিং মথংগী বন মহোটসবকী প্রোগ্রামগী মতম য়ৌরকপা ফাওবা ক্লবকী মেম্বরশিংনা ঙাক্তুনা থমগনি অমদি অফবা নুংশিৎ চেনবা পোল্ল্যুসন থোক্তবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কাইরেম্বীখোক খুঙ্গংগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা উ চারা অমমম শোয়দনা থাবীদুনা মহৌশাগী খল কায়দনবা হোৎনমিন্নসি হায়বগী পান্দমদা কে এস য়ু সীগী মেম্বরশিংনা লম্বীগী নাক য়েৎতা লেপ্তুনা উ চারাশিংসু য়েন্থোকখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ঙমখৈ কন্নবা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরসি: মাওইষ্ট

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ :

হৌখিবা ঈশিং ঈচাওদা য়োৎপাক পায়দুনা থোক্লকখিবা মিনিষ্টর এম এল এশিং ঙসিদি মণিপুরগী লম বর্মানা লৌখ্রবা মতম অসিদদি অমত্তা থিবা ফঙখিদ্রে হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঈশিং ঈচাও মতমদা মীৎকুপ অমা ফাওবা পন্থবা তৌদনা পন থিংবা থোক্লকখিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি মণিপুরগী লম বর্মানা লৌখ্রবা ফাওবদা মীৎকুপ অমা ফাওবা বর্মাগী ঙমখৈদা লেপ্তুনা য়েংশিন্নবা মতম লৈতবা হায়বসি মাওইষ্ট কম্যুনিষ্টনা চিংনদবা ঙমদে। মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা মাঙবদা মাঙজিন থারগা ফম থাদোক্কনি হায়না লাউরম্বদু পাক চাউখ্রবা লম অমা মাঙলবা ফাওবদা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাংদনা লৈবা হায়বসি বর্মা অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা অচৌবা লৌতুনবা অমা লৈ হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে হায়রি।

মিনিষ্টর অমদি এম এল এ অমত্তনা হিরম অসিদা ৱা ঙাংদবা হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না মীয়ামগী থম্মোয় খোয়রাং খোইশাওনহল্লে। ক্বাথা খুলগী চাউখ্রবা লম য়াওনা মণিপুরগী পাক চাউখ্রবা লম মাঙলকপা অসিদা লৈঙাক্লা চিন মেন্দুনা লৈরি। নাকল অমরোমদনা, মণিপুর খুন্নাইদা অপুনবা ঈহৌ অমা শাগৎপা ঙমদনবা হোৎনবদা লৈঙাক অসিনা কাঙলুপ নায়বা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা মীয়াম মশেল য়েংথিহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা মৈতৈ নিঙোলগী মচানি হায়দুনা মৈতৈ পাঙলশিংনা মীতোপ কনখৎতুনা থম্বদা য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ৱারোল অসিমক কাঙলুপ নায়বা অখুবা মীৎয়েংনি। মপান লমদগী মীতোপ পুশিল্লক্লিবা অসি মশাগী ওইজবা থিবা মীয়াম অমনা পুশিল্লকপনি। মসিবু কাঙলুপ অমদি ফুরুপ নায়বা মীৎয়েংদগী লৈবাক অমগী লুচিংবা অমনা চিন কাংথোকপা হায়বসিমক খ্বায়দগী অরানবা থৌওংনি হায়রি।

কম্পেনি ময়াম অমনা লেপ্পা লৈতনা মীতোপশিং পুশিল্লকপদগী ফাগৎনবা লৈখ্রে। অসুম্না হিরম কয়াদগী মীতোপ চংশিল্লক্লিবা অসি ফুরুপ নায়বা মীৎয়েংদগী ৱাহন্থোক পীবা চুম্মী। মীতোপ ফাদুনা মখোয়বু মরাল লৈবা চৈরাক পীবদা মৈতৈ পাঙলনা য়েৎখিবসু লৈতে নৎত্রগা ফুরুপ অমত্তনা অপনবা পীখিবসু লৈতে। অদুবু লেন্দ ইভিক্সনগা মরী লৈননা লৈবাক্কী মপী-মপা অমা ওইনা মৈতৈ পাঙলদা খুদোনবী থিন্দুনা মীতৈ নিঙোল মচা ওইরগসু তুমিন্না য়েংলোই হায়বা ৱাফম অসি কম্যুনেল ওইবা ৱাফোংদোক্লি হায়রি।

ফোরেষ্ট লেন্দ য়োকখৎপদা মণিপুর মীয়াম্না তরাম্না ওক্কনি অমদি মীতোপ মীয়ানচাশিং খন্দোকপদা মখোয়বু লৈহন্দনবা হোৎনবদসু মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎকনি। ময়ুম-মকৈ লৈজদ্রবা ঈরৈচাশিং অমদি ইমুং-মনুংশিং অদু অহাঙবদা পায়দুনা লৈবা য়াগদ্রা হায়বসিগী পাউখুমদি লৈঙাক্লা পীফম থোকই হায়রি।

লায়রবা লম লৈজদবা মীয়ামশিংগীদমক খুন্দা লৈতানবা থৌরাং শীনফম থোকই। মসি লৈবাক অমগী মপী-মপা অমা ওইবগী খনফম থোকপা ৱাখল্লোন্নি। অদুবু লায়রবা ময়ুম লৈজদ্রবা মীয়াম মৈতৈ পাঙলসু ওইবা য়াই, মৈতৈসু ওইবা য়াই। মখোয়গী মরল-মথুম মাঙহন তাকহল্লগা লৈঙাক্কী লমদা লৈবা য়াব্রা হায়রগদি লায়রবা ময়ুম-মকৈ লৈজদ্রবা মীয়ামদি মণিপুরী নৎত্রবরা হায়বসি মীয়াম্না খন্থবীয়ু হায়রি।

ময়ুম-মকৈ লৈত্রবা মীয়াম্বু মফম চানা খুন্দানবা শীনবগী থৌওং অসি লৈঙাক্কী থৌশিল অমা ওইফম থোকই। মরম অদুনা হন্দক মফম কয়াদা চথরল্লিবা লেন্দ ইভিক্সনগী থৌওং অসি মপুং ফাবা থৌরাং য়াওদনা মীয়ামদা উৎ চায়নবা হোৎনবা থৌওংনি হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা লৌদবা ঙমদে।

নাকল অমরোমদনা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মপিথেল দামনা শোকহল্লবা খুলশিংদা অৱাবা নংলবা মীয়ামগী ঈহৌবু নমথনবগীদমক পোলিটিকেল ওইবা মওংদা লৈঙাক্লা ইনশিন্দুনা লাইনিংগী মীংদা নোংব্রম খুলদা ক্লব অমদি মৈরা পায়বী লুপ অনীনা লৌরিবা ৱারেপ অসিসু মীয়াম্বু খায়বুং খায়বুং তাহন্নবা থৌশিলনি হায়রি।

থৌশিল অসি অমুক হন্না ৱাখল খন্থবা চুম্মী। অসুম্না লাইনিং লাইশোলদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবা অসি লৈঙাক্কী অতম্নন চথবা থৌশিল ওইরক্লগদি পামদবা থৌদোক কয়া থোরক্কনি। খোঙথাংশিং অসি চুম্নগী মীয়ামগী ঈহৌবু নমথনবা অমদি মণিপুরগী ঙমখৈগী ৱাথোক্লচিংবা মরুওইবা হিরমশিংবু নাথৈনবা হোৎনবা লৈঙাক্কী ফৎত- লৌশিংনি হায়না মরাল শীরক্লি।

মসিনা তাকপদি মণিপুরগী ঙমখৈ ঙসিগী লৈঙাক অসিনা পীথোকপদা য়াথোকখ্রে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। লম ইঞ্চি অমা ফাওবা মাঙবা য়ারোই হায়রম্বশিং পাক চাউখ্রবা লম মাঙলকপদা মচিন মেন্দুনা লৈখিবা হায়বসি মণিপুর মীয়ামদি মখা তানা তুমিন্না লৈফম থোকত্রে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। মরম অদুনা মণিপুর মীয়াম হুপ্না মণিপুরগী ঙমখৈ কন্নবা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরসি হায়রি।

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD
BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN
KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA
SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA
(PACKAGE STARTS FROM 12 LAC)
Eligibility : 2018 NEET Qualified Candidate Only
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
Class starts from 11th July 2018
Free seats for 450 above in NEET Exam. 2018 & PCB 80%
A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Special Coaching Classes for ANATOMY, PHYSIOLOGY, BIOCHEMISTRY, CHINESE AND BENGALI WILL START FROM 1ST JULY 2018.
PLZ Contact : Atawar Rahman, A.S. Education Trust
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE :
A.S. Education Trust
Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Contact No. : 8974084294, 9615706900,8415930785,8794249895
HL-B/4732/7/7-5/8

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/3380/4/7-3/8

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI &
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018
OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nambly (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mrituinjoy (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wardliam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Benjo (5 Yrs Experience in Teaching)
HL-P/3359/15/6-15/7

PEACE AND FREEDOM ACADEMY
/Thoubal Haokha
মখাগী অহাংবা ফমশিং অসি অথুবা মতমদা পামজে।
১) চাক থোংবা থাকপা ফজনা হৈরবা খুৎলোইরবা মীওইশিং
- Family - 8,000/- to 12,000
- Single - 7,000/- to 10,000
২) Chowkidar - 4,000/- to 6,000/-
৩) Helper - 3,000/- to 5,000/-
খোইদাবা, পাম্বীবা মীওইশিং খকতমক মখাদা পীজরিবা অসিদা পাও ফাওনবীয়ু নৎত্রগা স্কুলদা লেংথোকপীরকউ।
# 8414001171/9615492169/8732080340 Sd/- Principal
HL-P/1781/6,7&8

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তুরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঙ্খিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঙ্গরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীডৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**
Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/4699/19/6-18/07

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No. : 729
# 9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
(Opposit mantripukhi auto parking )
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)
WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER
SCIENCE

ARTS

HL-B/4723/29/6-26/8(Alt.)